### রবিচন্দ্র ষ্টেট ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে

# তোমথিন এফ সী অহৌবা মেটচতা মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল,জান্যুৱারী ২(ঐচএনএস): য়ুনাইটেদ প্রোগ্রেসিভ এডল্টস এসোসিএসন (উপা) ক্যামগৈনা শীন্দুনা ১২শুবা ষ্টেট লেভেল এম রবিচন্দ্র মেমোরিএল ওপন টুর্নামেন্ট ঙসি ক্যামগৈ ময়াই লৈকাই প্লেগ্রাউন্দদা কৈরাওগী এম এল এ, এল রামেশ্বর মৈতৈনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা হৌদোকখিবগা লোয়ননা অহৌবা মেটচতা তোমথিন এফ সী অৱাং খুনৌনা সভেন ষ্টার লংথবালবু ৪-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা লংথবাল টিমগী সুর্জকান্তনা শান্নবা হৌরকপগী ১৪ শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। গোল চনখিবগা ইকান কান্নদনা অভিশেকনা শান্নবগী ১৫ শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজ গোল চনখি।

টিম অনীনা স্কোর ১-১ লৈরবা মতুং সুরজনা শান্নবগী ২০ শুবা মিনটতা তোমথিন এফ সীগী অনীশুবা গোল চনখি। মহাক্না মখা তানা মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জ্যুরি টাইমগী অনীশুবা মিনটতা মায় পাকপগী মরিশুবা গোল চনবা ঙমখিবনি। দিনেশনা শান্নবগী ৫০ শুবা মিনটতা তোমথিন এফ সীগী অহুমশুবা গোল চনবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা পূন্না টিম ২৪না শরুক য়ারি। হৌদোকপগী থৌরমদা পি দব্লিয়ু দিগী রিটায়র্দ চীফ এঞ্জিনীয়র এম লোকেন্দ্রনা থৌরম মপূ ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চত্থরকপা ওইনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা মেটচ ২ শান্নরগনি। অহানবা মেটচতা রিয়াল এফ বি একাদেমি তোপ সিফাই অমদি কে এস এ এফ সী খুয়াথোং থেংনরগনি। অনীশুবা মেটচতা ৱাই দি সী এফ সী ক্যামগৈ মুস্লিম অমদি তনু এফসী হৈরোকলম্বা তৌনরগনি।

# ব্রাজিলগী ফুটবোলগী নিংথৌ পেলেগী অরোইবা ফ্যেরৱেল পীরগনি

সন্টোস, জান্যুৱারী ২ (এজেন্সী): ফুটবোলগী জাইন্ট পেলেনা মহাক্কী মতম শাংনা শান্নরম্বা টিম সন্টোসকী ষ্টেদিয়মদা নিংথৌকাবা নুমিৎতগী হৌদুনা চয়োল অমা চুপ্পা ব্রাজিলিয়নশিংনা অরোইবা ফ্যেরৱেল পীনবা শেম শাখ্রে।

মতম শাংনা কেন্সরগা লান্থেংনদুনা লাকখিবদগী হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা লৈখিদ্রবা মশাগী চহী ৮২ শুখ্রবা ফুটবোলগী নিংথৌ নিকনেম 'পিক্সি' (পোর্টুগিজ লোলদা ঙা হায়না ৱাহন্থোক পীরিবা)গী অরোইবা ফ্যেরৱেল পীবা অসিদা মহাকপু ইকাই খুম্নবা লাকপা ফেনশিংগী মশীং য়াম্না য়ামগনি হায়না পানরি।

ষ্টেদিয়মগী থোঙ অসি লোকল টাইমদা অয়ূক পুং ১০দগী হাংগনি। ৱর্ল্ড কপ অহুম্লক লৌবা ঙমখ্রবা অমত্তা ঙাইরবা শান্নরোয় অসিগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং য়াওরিবা কোফিন ষ্টেদিয়মগী ময়াইদা থমগনি।

ফাইনেল ফ্যেরৱেল অসিগীদমক চাওরবা ফিরাল অহুম নোংমাইজিং নুমিৎতগী থম্বা হৌখ্রে। অহানবা ফিরালদা পেলেনা মহাক্কী জর্সি নম্বর ১০ লিৎপা মমি, অনীশুবদা 'লোং লিভ দি কিং' হায়না থাবা অমদি অহুমশুবদা 'পেলে ৮২ য়র্স'নি।

মদুগী মতুং ষ্টেট কেপিটেল সাও পোলোদগী হৌদুনা কিলোমিটর ৭৫ শাংবা প্রোসেসন অমা সন্টোসকী লম্বী খূদিংমক্তা চৎকনি। পেরেদ অদু হৌজিক ফাওবদা পেলেবু লৈখিদ্রে খঙদ্রিবী মহাক্কী মমা চহী ১০০ শুরবী সেলেষ্টে অরান্টেসকী ময়ূম ফাওরগা চৎকনি অমদি সন্টোসতা লৈবা সিমিট্রিদা লোইশিনগনি।

### অন্দর-১৪ গর্লস ইন্টর ক্লব ফুটবোল হৌদোকখ্রে

# লক্ষ্মিপিয়ারী, সৈত্যমালাগী হেটট্রিকনা ৱাই দব্লিয়ু সী অহৌবা মেটচতা চাওনা মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল,জান্যুৱারী ২(ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা এস তোম্বী মেমোরিএল ৪শুবা অন্দর-১৪ গর্লস ইন্টর ক্লব টুর্নামেন্ট ঙসি অয়ূক লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা হৌদোকখিবগা লোয়ননা সোরোখাইবম লক্ষ্মিপিয়ারী অমদি লৌক্রাকপম সৈত্যমালানা চনখিবা গোল ৩/৩ অমদি সোরোখাইবম সিল্কিনা শান্নবগী ১৩ শুবা মিনটতা চনখিবা গোল ১গী মতেংনা দি য়ং ৱেলফ্যের ক্লব (ৱাই দব্লিয়ু সী)না য়ুঠ ৱেলফ্যের ক্লবপু লাকচনা ৭-২দা অহৌবা মেটচতা মায়থীবা পীখ্রে।

লক্ষ্মিপিয়ারীগী গোলশিং অদুনা শান্নবা হৌরকপগী অহানবা, ৩২ অমদি অহানবা হাফকী ইঞ্জ্যুরি টাইমদা চনখি। সৈত্যমালাগী গোলশিং অদুনা শান্নবগী ১২, ৫৪ অমদি ৫৫ শুবা মিনটতা চনখি।

য়ুঠ ৱেলফ্যের ক্লবকী গোল ২ অদুনা কেপ্টেন মংপিনেং খোংশাইনা শান্নবগী ২০ অমদি ২৩শুবা মিনটতা চনখিবনি।

অতোপ্পা নুংথিল শান্নখিবা মেটচ অমদা এফ সী ইম্ফালনা ৱাঙ্গৈই ফুটবোল এসোসিএসনবু লাকচনা ৬-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

এফ সী ইম্ফালগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু সলাম অঞ্জুলিকানা ৫ অমদি লিংগুনথেম গুইটৈনা ১ চনখি।

অতোপ্পা নুংথিল শান্নখিবা মেটচ অমদা আই সী এস এ ইরেংবমনা ৱিমেন্স ফুটবোল একাদেমিবু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

ইরেংবম টিমগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল অদু কেপ্টেন ইরোম প্রিয়াদর্শিনীনা শান্নবগী ২৪ শুবা মিনটতা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা পূন্না টিম ৬না শরুক য়ারি। টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চত্থরকপা ওইনা থা অসিগী ৫দা মেটচ ৩ শান্নরগনি। অহানবা মেটচতা অয়ূক পুং ১০.৩০দা এফ সী ইম্ফাল অমদি ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবাল শান্নরগনি। অনীশুবা মেটচ নুংথিল পুং ১২.৩০দা আই সী এস এ ইরেংবম অমদি ৱাফা ৱাঙ্গৈই অদুগা অহুমশুবা মেটচতা ৱাই দব্লিয়ু সী থম্বালখোং অমদি ৱিমেন্স ফুটবোল একাদেমি নুংথিল পুং ২.১৫দা লম্বা তৌনরগনি।

# ফ্রেন্দলি ভোলিবোল মেটচ শান্নখ্রে

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ২(ঐচএনএস): হেদ ক্বার্টর আই জি এ আর (সাউথ)কী লমজিং মখাদা মোদি বট্টালিয়ননা শীন্দুনা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মোলটুক য়ুঠ ক্লব অমদি অসাম রাইফলস টুপশিংগী ওইবা ফ্রেন্দলি ভোলিবোল মেটচ অমা ঙসি শান্নখ্রে।

ফ্রেন্দলি ভোলিবোল মেটচ অসি অনৌবা চহী লাকপগী নুংঙাইবা ফোঙদোকপা ওইনা অমদি লমদম অদোমগী নহাশিংবু হকচাং ফনা স্পোর্টসমেনশিপ অমদি টিম স্পিরিট লৈহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি।

থৌরমগা মরী লৈননা মোলটুক য়ুঠ ক্লবতা শান্ন-খোৎনবগী পোৎলম কয়া অমসু খূৎশিন্নখি।

অমরোমদা, হেদ ক্বার্টর আই জি এ আর (সাউথ)কী লমজিং মখাদা কৈথেলমানবী বট্টালিয়ননা শীন্দুনা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা জাংলেনফাই ভিলেজদা লৈবা ফুটবোল গ্রাউন্দ অমগী ফ্লদ লাইট ইন্সটোল তৌখ্রে।

খোঙথাং অসি জাংলেনফাই ভিলেজগী চীফনা অসাম রাইফলসতা লমদম অদোমগী নহা ওইরিবা ফুটবোল শান্নরোয়শিংবু মতেং পাংবীনবা হায়রকপদগী পায়খৎপনি।

নৌনা ইন্সটোল তৌবা ফ্লদ লাইট অসিনা লমদম অদোমগী নহাশিংনা নুমিদাংগী মতমদসু ফুটবোলগী প্রেক্টিস তৌবা ফংলগনি হায়রি।

### ভিলেজ ওপন ফুটবোল

# থৌবাল এফ সীনা টি ৱাই পি এ মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল,জান্যুৱারী ২(ঐচএনএস): ওল ইরেংবন্দ ফুটবোল এসোসিএসন (এ আই এফ এ)না শীন্দুনা চত্থরিবা ৬শুবা কেশ প্রাইজ ৯-এসাইদ ষ্টেট ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ঙসি ইরেংবন্দ হায় স্কুল প্লেগ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা থৌবাল এফ সীনা টি ৱাই পি এ সোরাবু ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

রোহিটনা অহানবা হাফকী শান্নবগী ২৭ শুবা মিনটতা থৌবাল এফ সীগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক শান্নবা হৌরকপগী ১৫শুবা মিনটতা রেফরিনা য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখিবনি। বিক্রমনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৩৯ শুবা মিনটতা থৌবাল এফ সীগী মায় পাকপগী ২শুবা গোল চনবা ঙমখি। মেটচ অসিদা রেফরিনা সোরা টিমগী ৱাশিমসু শান্নবা হৌরকপগী ৫শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এম ৱাই দি এ সঙ্গাইয়ুম্ফম অমদি য়াইসা এফ সী ককচীং গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখ্রে। মেটচ অসিদা ককচীংগী মিনেকেটন রেফরিনা য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখি।

### ঙানবী মেমোরিএল ফুটবোল

# বি এস য়ু অমদি এস ৱাই দি এ সেমী চঙখ্রে

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ২(ঐচএনএস): সোসল ৱর্কর কোংগ্রেস খোংমননা শীন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ৬শুবা থিঙুজম ঙানবী ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অনীদা মায় পাক্তুনা বি এস য়ু কৈরাও অমদি এস ৱাই দি এ সাবল লৈকাই সেমীফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসি অয়ূক শান্নখিবা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা বি এস য়ু কৈরাও মক্তিংনা এস দব্লিয়ু সী খোংমনবু ১-০দা মায়থীবা পীখি। বি এস য়ুগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল অদু সকিরনা শান্নবা হৌরকপগী ৫শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

অতোপ্পা নুংথিল শান্নখিবা অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেলদা এস ৱাই দি এ সাবল লৈকাইনা সঙ্গাই এফ এস অংথাবু টাই ব্রেকতা ৫-৩দা মায়থীবা পীখ্রে। টিম অনীনা অপীবা মতমগী শান্নবদা ১-১দা দ্রো ওইখি। মখা তাবা টাই ব্রেকতা এস ৱাই দি এনা সঙ্গাই এফ এসবু ৪-২ মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল চঙখিবনি।

# ষ্টেট জুনিয়র জুদো টিম তরাম্না ওকখ্রে



ইম্ফাল,জান্যুৱারী ২(ঐচএনএস): ঝরখন্দগী রাঞ্চিদা দিসেম্বর ১৬ত্গী ২০ ফাওবা পাঙথোকখিবা জুনিয়র নেসনল জুদো চেম্পিয়নশিপতা ওভরওল চেম্পিয়ন লৌরকখিবা ষ্টেটকী নুপা অমদি নুপী জুদোকাশিং ঙসি মণিপুর জুদো এসোসিএসননা শীন্দুনা খুমন লম্পাক্তা লৈবা এসোসিএসনগী ওফিসতা ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা জুদোকা নুপা ৭ অমদি নুপী ৮না শরুক য়াখি। নুপাগী কাঙলূপ্তা কে ভিশাল অমদি এন শিতলনা গোল্দ, এল মেক্স অমদি ঐচ বিক্রমালনা সিলভর অমদি এস মাইমুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি। নুপীগী কাঙলূপ্তা এল নুংশিথোই অমদি আই কলপনানা গোল্দ অদুগা এল রোশনীনা সিলভর অমদি এম রোশিবিনানা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

ষ্টেট টিম অসিদা কে ঐচ গোজেন্দ্রোনা মেনেজর অদুগা সনাতোম্বা অমদি এল বিনোইনা কোচ ওইনা শরুক য়াখিবনি।

### ইকোপ ট্রোফি ক্রিকেট হৌদোকখ্রে

# দিষ্ট্রিক্ট পুলিস থৌবালনা অহৌবা মেটচতা রন ১৪দা মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ২(ঐচএনএস): খাঙবোক ক্রিকেট ক্লবনা শীন্দুনা ৪শুবা ইকোপ ট্রোফি ষ্টেট লেভেল ওপন টেনিস বোল ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২২-২৩ ঙসি খাঙবোক্তা লৈবা ব্লুস্মিং এথলেটিক্স এন্দ স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (বাসু) গ্রাউন্দদা হৌদোকখিবগা লোয়ননা অহৌবা মেটচতা দিষ্ট্রিক্ট পুলিস থৌবালনা ব্রদর্স ১১ খাঙবোকপু রন ১৪দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা থৌবাল পুলিসকী বিটেশ্বর হুইরোংবমনা মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা পূন্না টিম ১২না গ্রুপ ৪ থোক্তুনা শরুক য়ারি।

হৌদোকপগী থৌরমদা ৱাংখেম এ সীগী এম এল এ কৈশাম মেঘচন্দ্রনা অথোইবা মীথুংলেন, খাঙবোক্কী এম এল এ সূর্য্যকুমার ওক্রমনা থৌরম মপূ অদুগা সোসল এক্টিভিষ্ট ডা. খুন্দ্রাকপম অকোইসনা, এস দি পি ও থৌবাল দব্লিয়ু ইবোচা, সোসল ৱর্কর কে ঐচ রাজেন, খাঙবোক পার্ট-১গী প্রধান এন মালা অমদি ন্যু পব্লিক হায়র সেকেন্দরি স্কুল খাঙবোক্কী ফাউন্দর এস ঐচ গোপালনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চত্থরকপা ওইনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা মেটচ অনী শান্নরগনি। অহানবা মেটচতা শীন্থাঙন্বী থৌবাল অমদি লভিং ব্রদর্স ১১ শান্নরগনি। অনীশুবা মেটচতা মৈশা ১১ থৌবাল অমদি ১১ ব্রদর্স থৌবাল লম্বা তৌনরগনি।


# প্রিয়া কোঞ্জেংবমবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ২(ঐচএনএস): হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ওল ইন্দিয়া সিনিয়র রেঙ্কিং বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা গোল্দ ৫ লৌরক্তুনা ইন্দিয়াগী মিক্স দবলস অমদি ৱিমেন্স দবলসকী রেঙ্ক ১ দা লৈবা ঙমখ্রবী প্রিয়া কোঞ্জেংবমবু বেদমিন্টন এসোসিএসন মোইরাং (বি এ এম)গী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

মহাক বেদমিন্টন এসোসিএসন মোইরাংদগী শান্নবা হৌরকখিবগা লোয়ননা এচিভমেন্টশিং অসি ফংবা ষ্টেট অসিগী অহানবা শান্নরোয়সু ওইবা ঙমখ্রে হায়না বেদমিন্টন এসোসিএসন মোইরাংগী জেনরেল সেক্রেটরি পি ঐচ কামেশ্বরনা ফোঙদোরক্লি।

SPOKEN ENGLISH
Classes for groups and special class for only one person
For Seniors, College and University Students
■Grammar ■Pronunciation ■Group discussion ■Public speaking ■Vocabulary
Global Spoken English, Gourahari Market,
Behind Pologround, Near Hotel Christina, Paona Bazaar, Imphal
(Timing: 5:00 am, 6:10 am, 7:40am, 11:00 am, 1:00pm, 4:00 pm, 5:30pm)
Instructors: Sir Tejkumar (Teaching Since 1987)
Alice Thokchom (MA English, Punjab University)
Contact Numbers: 8132904426, 9362150894
HL-B/7933/4/12-3/02

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 676**

**Peter Meister (2325) - Gunnar Blaess**
**Bundesliga 8687 Germany, 1987**

1.d4 f5 2.c4 Nf6 3.Nc3 g6 4.Nf3 Bg7 5.Bf4 d6 6.Qb3 c6 7.e3 Qb6 8.Be2 Be6 9.O-O Nbd7 10.Rfd1 Bf7 11.h4 h6 12.Qc2 Qa5 13.b4 Qxb4 14.Rab1 Qa5 15.Rxb7 O-O 16.e4 e5 17.dxe5 dxe5 18.Bd2 Qa6 19.Rb4 f4 20.c5 Qa3 21.Rdb1 Rfe8 22.R1b2 Bf8 23.Nb1 Qa5 24.Bc4 Bxc4 25.Ra4 Qc7 26.Qxc4+ Kg7 27.Ra5 Rab8 28.Rb3 Rb5 29.Raxb5 cxb5 30.Rxb5 Bxc5 31.Kf1 Qd6 32.Nc3 Rc8 33.Rb7 Rc6 34.Nb5 Qe6 35. ...

**QUESTION :**
**White to win**

**Puzzle 675 Ans. :**

20. Qd7+
Your moves: 20. exf7+ Nxd7 21. exd7+ Double check Kf8 22. Re8# Back-rank mate
20. Qd7+ Kf8 21. e7+ Kg8 22. e8=Q+
1-0


LOAN AVAILABLE
EMPLOYMENT NEWS
> SEKMAI, MOIRANG,NAMBOL,THOUBAL,KAKCHING BRANCH:- Office Asst.-2,Grade IV-2
> SAMUROU BRANCH:- Office Asst.-2,2 wheeler Mechanic-2, Car wash Helper-2,Tyre fitting helper-2
L.G. MOTORS FINANCE
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI,H.Q
OFFICE HOUR: 10.00AM TO 4.00PM
CONTACT No.:- 9774495994/8731978490
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING,IMPHAL WEST,MANIPUR
BRANCHES:- ,SAMUROU NEAR MACHU HALL,,THOUBAL BRANCH AT KHANGABOK KM BLOOMING SCHOOL OPP., NAMBOL PHOIJING LAMBAN,MOIRANG PATLOU,KAKCHING IRUM LAMDONG,SEKMAI KOUJENGLEIMA.
HL-B/7893/13/12-12/-1

AVIO INTERNATIONAL INSTITUTE
PROFESSIONAL CABIN CREW TRAINING INSTITUTE
• 100% PLACEMENT ASSISTANCE
• GUARANTEE YOUR SUCCESS WITH OUR UNLIMITED SUPPORT
• CUSTOMISED TRAINING
• MOCK INTERVIEW
• PERSONALITY DEVELOPMENT
• SOFT SKILL DEVELOPMENT
• GROOMING ENHANCEMENT
• SWIMMING CLASS
HURRY UP!!! BATCH STARTS ON 5TH JANUARY 2023
OUR TRAINERS ARE EXPERIENCED FIRST CLASS CABIN CREW. OWNING OVER DECADES OF FLYING EXPERIENCE WITH ICONIC AIRLINES:
• JET AIRWAYS
• GULF AIR
• OMAN AIR
TRAINING CENTRE: OMNICRON III,GREATER NOIDA, 201310.
HEAD OFFICE: KWAKEITHEL,THOKCHOM LEIKAI, IMPHAL. MOB: 7005045375/7005180623
BRANCH OFFICE:
1. BISHNUPUR BAZAAR, NEAR MANIPUR STATE CO-OPERATIVE BANK. MOB: 8920286159
2. SENAPATI BAZAAR, OPPOSITE SENAPATI BUS PARKING. MOB: 9774628571
3. MOIRANG OKSHONGBUNG LEIKAI,NEAR CITIZENS' CLUB MOIRANG. MOB:7005171889
4. KUMBI, SINGEL LEIKAI, WARD NO. - 4. MOB: 76280 16401
BUSINESS HOURS: 10:00A.M - 4:00 P.M (SUNDAY CLOSED)
Email: avio.institute@gmail.com
FOR INQUIRY CALL
7005045375 / 7005180623 / (0120)4558561

HL-P/1068/24/12-5/1
Reg: UDYAM-MN-01-0001766

Regd. No. : KNL/497/(CE) of 2018 (I/W)
SANGAI TUTORIAL
Kwakeithel near Imphal College,Imphal
ADMISSION OPEN
REVISION COURSE for & FOUNDATION COURSE for
CLASS -X (BOSEM) 15th December, 2022 3:30/4:30pm-7:30pm
CLASS -IX & X (BOSEM) 2nd week of February, 2023 3:30/4:30pm-7:30pm
Our Position Holders of HSLC Exam 2022

1st POSITION Laishram Rahul
3rd POSITION Meneka Huidrom
8th POSITION Moirangthem Rex Singh
18th POSITION Chingakham Italy Meitei
Form available at:
1. 'SANGAI HOSTEL' Kwakeithel Ningthemkol, Opp. Kwakeithel Tiddim Ground.
2. Office of SANGAI TUTORIAL, Kwakeithel near Imphal College, (3:00pm-7:30pm)
6009534807
9233284826
HL-P/5089/2/12-30/01

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com